# ইন্দোনেসিয়াগী মিলিটরি প্লেন কায়বদা মীওই ১৩ শিখ্রে



জকার্টা, দিসেম্বর ১৮:

ইন্দোনেসিয়াগী মিলিটরি হারক্যুলিস সি-১৩০ ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাপুৱাগী নোংপোক ইথং থংবা প্রোভিন্সতা কায়খ্রে অমসু মদুদা তোংবা মীওই ১৩ শিখ্রে।

এয়র ফোর্সকী চীফ ওফ ষ্টাফ অগস সুপ্রিয়টনানা মেত্রো টিভিদা হায়খি, প্লেন অদু কিলোমিটর ২০০ গী লম ওইবা টিমিকাদগী ৱামেনা ফাওবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অমসুং সিমেন্ট টন ১২ পুদুনা পায়বদা তাফম য়ৌগদবা মিনিট খরখক ৱাৎলিঙৈদা কায়খিবনি।

টি ভি ফুটেজনা রেস্ক্যুঅরশিং অমসুং লোকেলশিংনা প্লেন কায়ফমদা চঙশিনবা অমসুং ভিক্টিমশিং পুথোকপগী শক্তমশিং উৎখি।

প্লেন অদু অয়ুক পুং ৫.৩৫ দা টিমিকাদগী পাইখৎখি অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্ট জয়াৱিজায়াগী কেপিটেল ৱামেনাদা থুংনবা লেপখিবা মতম য়ৌগদবা মিনিট মরিমুক্কী মমাঙদা কায়খি।

মদু ইন্দোনেসিয়াদা থা অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা থোকপা অহুমশুবা শাথিবা এয়র এক্সিদেন্টনি।

হৌখিবা নবেম্বর ২৪ দা ইন্দোনেসিয়ন আর্মিগী বেল ৪১২ ঈ পি হেলিকোপ্টর অমা বোর্নিও ঈথৎকী ইন্দোনেসিয়াগী শরুক্তা কায়খি। চয়োল অমা লৈরগা মীওই ১৩ তোংবা পুলিসকী প্লেন অমা সিঙ্গাপেরগী মনাক্তা লৈবা বাতম ঈথৎ তম্না পাইবদা ঈশিংদা কায়খি।

হন্দক চহী খরসিদা মীওই মিলিয়ন ২৫০ হেন্না লৈবা ঈথৎ ময়ামগী লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দোনেসিয়া প্লেন অমসুং ত্রেন ক্রাস কয়াদগী ফেরি লুপ্না য়াওনা ট্রান্সপোর্টেসন এক্সিদেন্ট কয়া থোকখি। ফন্দিং ৱাৎপা মিলিটরিসু এয়রপ্লেন অমসুং হেলিকোপ্টর কয়া তত্তনা কায়বগী খুদোংচাদবা মায়োক্ন রক্লি। হৌখিবা জুলাইদা এয়র ফোর্সকী হারক্যুলিস অমা ইন্দোনেসিয়াগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা মেদানগ নৈবরহুদ অমদা কায়খি। এক্সিদেন্ট অদুদা মিলিটরি পার্সনেল, মখোয়গা চৎমিন্নবা ইমুংগী মীওইশিং অমসুং গ্রাউন্দগী মীওইশিং য়াওনা মীওই ১৪০ হেন্না শিখি।

# সাউদি অরাবিয়ানা অলেপ্পোদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মী হাংপা লেপ্পবা আপিল তৌখ্রে

দুবাই, দিসেম্বর ১৮ :

সিরিয়াগী রেবেলশিংবু মতীং লৈনা শৌগৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা সাউদি অরাবিয়ানা থাংজ নুমিৎতা অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা শরুকশিং প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী ফোর্সশিংদা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংনা হন্দোক্লবা হোৎনবদা চথুরিবা ৱার ক্রাইমশিং খুদক্তা লেপ্পনবা আপিল তৌখ্রে।

'মসি ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মিৎমাঙমক্তংদা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা চহী হৌরকপগী খ্বাইদগী ফত্রবা হ্যুমেনিটরিয়ন ত্রেজেদি অমনি' হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এস পি এনা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি।

'অলেপ্পোদা চথুরিবা কিনিংঙাই ওইরবা মেস্যাকরশিং মীওইবা কাঙলুপকী মায়োক্তংগা চথুবা ক্রাইমশিংগা মান্নরে' হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

চহী ৬ লোমগী সিভিল ৱার অদুগী মনুংদা সিটি অদু গভর্ণমেন্ট অমসুং রেবেল এরিয়াশিংগী মরক্তংগা খায়দোকখি। তৌইগুম্বসুং সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচঙশিংনা নবেম্বর থখায়দা সিটি অদুদা চঙশিনখিবদগী চয়োল খরগী মনুংদা টেরটরি অদুদগী রেবেল লান্মী অয়াম্বা তকথোকখ্রে।

ওপোজিসন্না অরোইবা ওইনা পায়শিল্লিবা এরিয়াদগী ফাইটরশিং অমসুং সিভিল্যানশিংবু হোন্দোকপগী ওপরেসন অমা মদুগী নীনি চনবা নুমিৎ ইরাই নুমিৎতা সসপেন্দ তৌখ্রে। প্রো গভর্ণমেন্ট মিলিস্যাশিংনা অশোকপ-শিংসু রেবেলশিংনা কন্ত্রোল তৌবা ভিলেজশিংদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীশিংসু য়াওহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবদগী হোন্দোকপগী থবক্তু লেপখিবনি।

নাকল অনীমক্কী ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মী হোন্দোকপগী থবক্তু মপুং ফাহন্নবগীদমক্তা অনৌবা দিল অমা পুরক্নবগীদমক্তা নিগোসিয়েসন চথুরি।

# চাইনানা হুখিবা দ্রোন অদুম থমসনু ঐখোয় পামদ্রে : দোনাল্ড ত্রম্প





ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১৮ :

চাইনাবু অমুক হন্না খোয়রাং খোয়শাওহনবা থৌওং অমদা প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, অমেরিকানা কম্যুনিষ্ট জাইয়ন্ট অদুবু মী তোংদবা ঈশিং মনুংগী দ্রোন অদু ফাজিন্দুনা থমহনগদবনি।

য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সি (এস সি এস) দা চাইনিজ নেভিনা ফাজিনখিবা অনমেন অন্দরৱাটর প্রোব অদু বৈজিংনা চানগদবা মওং অমদা হল্লক্লগে হায়না থাজবা পীখ্রবা মতুংদা ত্রম্পনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। থৌদোক অদু চহী দিকেদ কয়ামুক্কী মতুংদা পৱার অনীগী মরক্তা থোকপা খ্বাইদগী লুবা মিলিটরিগী মুক্নবশিংগী মনুং চল্লি।

য়ু এসনা হৌনবী মতুং ইন্না কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎতুনা দ্রোন অদু হল্লক্নবা দিমান্দ তৌখ্রবনি। চাইনানা থাংজ নুমিৎতা য়ু এসপু ঈশিং মনুংগী দ্রোন অমা ফাজিনখিবগী মতাংদা চরাংনবা থোকহল্লি হায়না মরাল শীখি অমসুং দিভাইস অদু 'চান্নবা মওং অমদা' হল্লক্লগনি হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন সিনিয়র কর্নেল য়াং য়ুজিনা য়ু এসকী এলিগেসনশিংদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং সিপশিংগী নেভিগেসনদা অকায়বা থোকহনবগীদমক্তা চাইনানা অন্দর ৱাটর গ্লাইদর অদু ফাজিনবনি হায়খ্রে।

'ঐখোয়না মদু পামদে। ঐখোয়না চাইনাদা মখোয়না হুখিবা দ্রোন অদু পামদ্রে হায়গদবনি - মখোয়না মদু থমসনু' হায়না ত্রম্পনা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি। দ্রোন অদু হল্লক্নবা চাইনাগা অন্দরষ্টেন্দিং অমদা লাক্লে হায়না পেন্টাগোন্না লাউথোকখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা ত্রম্পনা ৱারোল অসি ফোঙদোকখিবনি।

দ্রোন অদু চাইনানা দিসেম্বর ১৫ দা সাউথ চাইনা সিদা লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিনখিবনি। অনমেন অন্দর ৱাটর প্রোব অদু য়ু এস নেভিগী ওসিনোগ্রাফিক সর্ভে সিপ অমনা লৌখৎনবা হোৎনরিঙৈদা ফাজিনখিবনি।

ত্রম্পকী খ্বাইদগী নৌবা ট্বীটরগী ৱারোল অদু দিভাইসতুবু ফাজিনবগী মতাংদা মহাক্না চাইনাবু টার্গেট তৌদুনা চৈ-ঙাঙবা অনীরকশুবনি।

মমাঙদা মহাক্না চাইনাবু অমেরিকান দ্রোন অদু হুখি হায়না মরাল শীখি।

'মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চাইনানা মালেমগী ঈশিংগী শরুক্তগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভিগী রিছার্চ দ্রোন অদু হুরাল্লি অমসুং চাইনাদা পুই' হায়না ত্রম্পনা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি। ত্রম্পনা ট্বীট অদু অরানবা স্পেলিং চুমথোক্লবা মতুংদা অমুক হন্না ইস্যু তৌখিবনি।

# য়ামদ্রবদা য়েমেনগী লান্মী ৩০ সুইসাইদ বোম্মিং চথদুনা হাংখ্রে

অদেন, দিসেম্বর ১৮ : য়েমেনগী সাউদর্ন সিটি অদেনদা নোংমাইজিং নুমিৎতা সুইসাইদ বোম্মর অমনা য়ামদ্রবদা য়েমেনি লান্মী ৩০ তোলোব লৌবগী পুল্লিঙৈদা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা হাংখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসলশিং অমসুং মেদিকশিংনা হায়রি।

নোর্থ ইষ্ট অদেনদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা তোলোব লৌবগী পুল্লিবা লান্মী মপৈ অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা এটেক অদুদা অতৈ মীওই কয়াসু শোকখি হায়না ছোর্সশিংদুনা ফোঙদোকখি।

এটেক্কর অদুনা অল-অরিশ দিষ্ট্রিক্টকী অল-সোলবন বেজদা লৈরিবা লান্মীশিংদুগী মরক্তা য়াওশিনখি হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা হায়খি। এটেক অদু অদেনদা মান্নবা বোম্মিং অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) কী জিহাদিষ্ট গ্রুপনা লান্মী ৪৮ হাংখিবা অমসুং অতৈ ২৯ শোকহনখিবা মতুং নুমিৎ নিপান্নি লৈরগা চথরক্লিবনি। য়েমেনি ওথোরিটিশিংনা থা কয়ামুক লালনা অৱাবা নংহল্লবা লৈবাক অদুগী খা অমসুং নোংপোক্তা এক্তিভ ওইরিবা জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা কেম্পেয়ন অমা চথরকখ্রে।

# বসতা এটেক তৌদুনা দ্যুটিদা লৈতবা টর্কিশ লান্মী ১৪ হাংখ্রে



ইষ্টানবুল, দিসেম্বর ১৮ :

দ্যুটিদা লৈতবা কোন্সক্রিপ্টশিংদা কর্দিশ মিলিটেন্টশিংনা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি হায়বা সুইসাইদ কার বোম্মিং অমদা টর্কিশ লান্মী ১৪ শিখ্রে অমসুং দজন কয়া শোকখ্রে। দ্যুটিদা লৈতবা লান্মীশিংদু পব্লিক বস অমদা পুরিঙৈদা এটেক্তু চথখিবনি।

টর্কিদা হন্দক চথরকখিবা এটেকশিংগী খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা খুদম-চাংদমশিংনা লোনা য়াদবা কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি (পি কে কে) না কেসেরি সিটিগী বোম্মিং অদু চথখিবনি হায়বা তাকই। সিটি অসি এনটোলিয়া রিজনদা লৈবা মহৌশানা ঈং-চিকপা ইন্দষ্ট্রিয়েল সিটি অমনি। ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সুলেমন সোইলুনা হায়খি, এটেক অদুদা পুন্না মীওই ৫৬ অশোক-অপন নংখ্রে। মখোয়গী মনুংদা তরুক্কী ফীভম লুনা লৈ। হোস্পিটালদা লান্মী অমা শিখিবগা লোয়ননা শিখিবা মী মশিং ১৩ দগী ১৪ য়ৌখ্রে হায়না ওফিসল এনদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

টেলিভিজন ইমেজশিংনা মৈ চাকখ্রবা বস অদুগী শক্তম উৎখি। ইষ্টানবুলদা ফুটবোল মেচ অমগী মতুংদা ষ্টেদিয়মগী মপানদা চথখিবা দবল বোম্মিং এটেক্তা মীওই ৪৪ শিখিবা মতুং চয়োল অমা লৈরগা ব্লাষ্ট অদু থোকখিবনি।

দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন ন্যুমেন কুর্তুলমুসনা এন টি ভি টেলিভিজনদা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা খুদম চাংদমশিংনা পি কে কেনা এটেক অদু চথবনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী। মহাক্না বোম্মিং এটেক অদুদা শিজিন্নখিবা মেটেরিয়লশিং অদু হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ইষ্টানবুল এটেক্তা শিজিন্নখিবদুগা মান্নখি।

'অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসি নহাক্না সোপ্পিং মোল অমদা লৈবা য়ারোই। পোৎশকশিংসি ফংবদা লোজিষ্টিকেল সপোর্ট চঙই' হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমনা এটেক অদু সুইসাইদ বোম্মর অমনা পাঙথোকখিবনি হায়খি তৌইগুম্বসুং অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোকখিদে।

প্লোট অদুদা চেন্নবনি হায়বা সসপেক্ট ১৫ ফাজিন্দুনা থম্লে হায়না কেসেরি ষ্টেটকী প্রোসিক্যুটর মুষ্টাফা অর্সলন টর্ককী ৱারোল পল্লদুনা অনাদোলুনা ফোঙদোকখি।

লো-রেঙ্কিং প্রাইভেটশিং অমসুং নন-কম্মিসনন ওফিসরশিং পুবা বস অদু দ্যুটিদা লৈতবা লান্মীশিং অদুবু সোপ্পিং ত্রিপ অমদা পুনবগীদমক্তা সিটি অদুগী কম্যান্দো হেদ ক্বার্টরস থাদোক্লবা মতুংদা এটেক তৌখিবনি।

এটেক অদুদা শিখিবশিং অদু চহী ২০ দগী খরদমক হেনবা নহা ঙাক্তনি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি। টর্কিশ টেলিভিজন্না মিলিটরি এয়রপোর্ট অমদা মরী-মতাশিংনা কুশিংদা শিখিবশিংগী ফ্লেরৱেল পীবগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা ফুটেজ উৎখি।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগননা হায়খি মদুদি, টেররগী থবক থৌওংশিং অদু টর্কিদা লৈরিবা ঐখোয়গী সিটিজন মিলিয়ন ৭৯ পুম্বগা লোয়ননা ঐখোয়গী লান্মীশিং অমসুং পুলিসতা টার্গেট তৌরিবনি।

# পাপুৱা ন্যু গিনিদা মেগনিচ্যুদ ৭.৯ গী য়ুহা হাখ্রে

সিদনি, দিসেম্বর ১৮ :

থাংজ নুমিৎতা পাপুৱা ন্যু গিনি মনাক্তা মেগনিচ্যুদ ৭.৯ গী অচৌবা য়ুহা হাবা অমা থোকখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে তৌইগম্বসুং খুদক্কী ওইনা মীশি-মীনা য়াওবগী পাউফংখিদে অমসুং অহানবদা সুনামি থোক্কদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরুবা মতুংদা সুনামি থোক্লকখিদবগা লোয়ননা মীপাইবা ফংখি।

য়ুহা হাবা অদু লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৮.৫১ দা (আই এস টি ৪.২১ দা) ন্যু আইরলেন্দগী তারোনদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৬০ লাপ্পা মফমদা কিলোমিটর ৭৫ লুথনা থোকখি হায়না য়ু এস জি এসনা হায়খি।

পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা অহানবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ঈশিং ঈপোমশিংনা পাপুৱা ন্যু গিলি, ইন্দোনেসিয়া, নাউরু, সোলোমোন ঈথৎশিংগী কোষ্টেল এরিয়াশিংদা হিট তৌবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি।

তৌইগুম্বসুং য়ুহা হাবা মতুং পুং অনী লৈরগা সুনামি ঈথক লৈতে হায়না পি টি দব্লিয়ু সিনা হায়খি।

ন্যু জিলেন্দগী মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল দিফেন্সনা লৈবাক অদুগী কোষ্ট পুম্বগী ওইনা সুনামি ৱার্নিং অমা অতেনবা মতমগী ওইনা ইস্যু তৌখি।

'পি এন জিদা অচৌবা য়ুহা হাবা থোকপদগী অচৌবা সুনামি ঈথকশিং কারকপা য়াবগী অকিবা লৈবা মরম্না মীশিংনা অৱাংবা মফমশিংদা কাখৎনরি' হায়না ওক্সফামনা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং জিওসাইন্স ওষ্ট্রেলিয়াগী সাইজমোলোজিষ্ট দান জাকানা য়ুহা হাবা অদুগী লুবগী চাং অদুনা সুনামি অমা থোক্লকপা য়াবগী চাং নেমই হায়রি।

## /EMPLOYMENT NEWS

**Public Health Engineering Department – Government of Manipur Recruitment 2017 – 30 Office Assistant cum Computer Operator & Driver Vacancies – Last Date 02 January**

**Government of Manipur Recruitment 2017**

Public Health Engineering Department, Government of Manipur invites Application for the post of 30 Office Assistant cum Computer Operator & Driver on contract basis. Apply before 02 January 2017.

**Job Details :**

**Post Name :**
Office Assistant cum Computer Operator
No of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

**Post Name :** Driver
No of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

**Eligible Criteria for Government of Manipur Recruitment :**

**Educational Qualification :**

For Office Assistant cum Computer Operator : Graduate with completed course on Computer Concept (DOS+Windows+MS Office+ Multimedia+ Internet) -(CCC) of a recognized institute.

For Driver : Matriculate/Class-X passed with Driving License valid for the last 3 years.

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 38 years as on 02.01.2017

**Age Relaxation :**

For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years

**Job Location : Imphal (Manipur)**

**Selection Process :**
Selection will be made on Written Test.

**How to Apply :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with Self attested certificates in support of qualification, domicile/residential, scheduled tribe, age proof, etc. and 2 (two) Nos. of recent passport size photographs send to concerned employment Exchange Offices on or before 02.01.2017.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application form : 02.01.2017

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://phedmanipur.gov.in/files/recruitment_OA_CO_DR_CEPHE1-1-NG-2016-2-88.pdf


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 15th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd Dec. 2016 Limited Seat

1st Position ...hana Laishram ...irmalabas H/S; 2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S; 3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S; 8th Position Wosoron C Tiny Tots; 9th Position Sindia A Nirmalabas H/S; 10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S; 10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S; 11th Position Selina K Nirmalabas H/S; 12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S; 12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L; 15 Position Tanya G; 16 Position Ningthem H; 20 Position Eunice Y; 21st Position Th. Krishnakant; 22nd Position Sylvest K; 23rd Position Reeturani L; 23rd Position K. Ghanapyari; 24th Position Themson Saka; 25th Position Taibanganbi Kh

TOPPERS of 2015: 2nd Position . Gopal Krishna; 3rd Position Ng. Victoria; 4th Position S.Shivaranjani; 7th Position RK. Babysana; 9th Position Ksh. Monica; 11th Position Thangminlal H.; 20th Position Bilson Oinam; 21st Position Gita E.; 21st Position S. Saya Devi; 22nd Position N. Nonibala; 23rd Position Jasmine H.
TOPPERS of 2014: 3rd Position Luhiya Ng.; 6th Position Neera S.; 9th Position Khoneesh N.; 9th Position Harison Y.; 12th Position KAILASH KUMAR N.; 13th Position L. DENILSON; 16th Position KH. PRAVIN; 18th Position BONNIE W.; 20th Position KELVIN M.; 21st Position MALEMNGANBA; 23rd Position INDERKUMAR
TOPPERS of 2013: 1st Position Miranda M.; 3rd Position Ratimanjuri; 5th Position Miranda O; 6th Position Sydeny Th.; 14th Position VIVEK A.; 15th Position REMA N.; 16th Position SADA SALAM; 16th Position CHITRA KH.; 22nd Position BIDYALUXMI; 24th Position JAYALUXMI; 24th Position PRESCILA RK.

SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics: 1) Chetanna 2) Vasundhara 3) Sindia 4) Sohana 4) Wosoron 5) Yaisana
Hr. Mathematics: 1) Ningthem 2) Sohana 3) Wosoron 4) Yaisana
Computer Sc.: 1) Chetanna 2) Jyotsana
Manipuri: 1) Sohana
El. Manipuri: 1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
HL-B/3529/9/12-7/01
HL-B/3471/29 N, 1-31 D, 2-16 Jan. '17 (Alt.)



ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
COHSEM Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc. CBSE
Class xii Sc./Arts(COHSEM) from 1st Dec.
Class xii Sc./Arts(CBSE) 1st Dec.
Class x-SA II 24th Nov.
Special Revision X &foundation Course for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early morning batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
starting from 8th,15th Dec.
Separated boys,girls hostel,van service library facility #7308911167/9862992105



